# শজিক অকংবা শেম্বা



- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

লমদমসিদদি শা-ষণশিংদা পীজনবা মফম খরদনা শজিক মরাং কায়না ফংলি অদুগা মফম খরদনা শজিক ফংদবগী অৱাবা অমা ওইরি। অমরোমদনা নোংজু থা মতমদনা অমুক শজিক মরাং কায়না ফংবা অদুগা নিংথম থা মতমদনা শজিক্কী অৱাবা অমুক লৈরকপা য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা মতমসিদা শজিকশিংসি কোমনুংদা থম্লগা সাইলিজ শেম্বীবা নৎত্রগা শজিক অকংবা ওইনা থম্বীবা য়াই।

শজিক কংহনবা মতমদা শজিক্কী মখোক অকনবা খুদম ওইনা হায়রবদা চুজাক্কী মখোক, চানাগী মখোক অসিনচিংবশিং অসি কনবা মরম্না কংবা ৱাৎলি। কংনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙই। অথোৎপা মখোকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা হুপ, ওট, কবোনাপী, তুজোম্বী অসিনচিংবা কয়া অসি কংহল্লগা থম্বীবা য়াই।

শজিক অকংবা হায়রগা কল্লিবা শজিক খুদিংমক শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি হন্থহল্লগা কংহনবদুবুনি। শজিকশিং কংলি মতিক কোকফাই শুজা কাবগী চাং হন্থহল্লি অমসুং কুইনা লীবা য়াই। কংহন্নবা কক্কদৌরিবা শজিকশিংগী ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা মাঙদনবা মপূং মরৈ ফাবগী মতমদসু মখা পোল্লি। ঙন্না শজিক কল্লগদি ন্যুত্রেন্ট কয়া অমা য়াওবগী মশীং য়াম্মী অদুবু পোথোক্তি ৱাৎলি অদুগা থেংনা কল্লগদি ন্যুত্রেন্টকী চাং হন্থরগসু পোথোক হেন্না ফংই অদুবু অয়াম্বনা মপান লাক্লমদাইদা শজিক অকংবা শেম্নবা ককথৎপগীনি।

**অফবা অকংবা শজিক্কী মগুণ :**

- মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহল্লগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা ফংবা ঙম্মী। অদুবু থেংনা শজিকশিং কল্লগা শেল্লগদি শজিক্কী মখোকশিং কংশিল্লকপদা নত্তনা মরূ/মহৈ পানবদা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মহৈদা চৎখি।

- অফবা মখলগী শজিক অকংবা ওইরগদি অকংবা পাম্বীদুগী মনাশিং মশাদা তেক্তা কায়দনা লৈগনি। পাম্বীগী অয়াম্বা ন্যুত্রেন্টশিং মনাদা লৈ। মনাশিং মখোক্তগী কেনখ্রগদি ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙগনি।

- অকংবা শজিক্কী মনাশিং শংদুনা অদুম লৈরগদি মদু অফবা শজিক অকংবনি। মনাশিং কংহন্নবা হোৎনবদা অকংবা ময়াম অমা মাঙই।

- কংহন্নবা মতমদসু অথোৎপা মখোক/পাম্বীনা ওইরগদি শা-ষণশিংনা চাবদা মহাও লৈনা চাবা ঙমহল্লি।

- অকংবা শজিক শেম্বা মতমদা অতোপ্পা মখলগী চাবা য়াদবা পাম্বী য়াওহনবীরোইদবনি।

- অকংবা শজিক্তা য়াওরিবা মনিলগী চাংসি চাদা ২০-২৫ ফাওবা লৈগনি। মনিলগী চাং ৱাংলগদি পথ্থ-পুমথরকপগী চাং ৱাংনা লৈগনি।

- শজিক কংহনবা মতমদা উফুল-ৱাইফুল পকহনবীরোইদবনি অমদি নুংশিবা মনম চেলহন্দুনা মহাও লৈহনগনি।

**শজিক অকংবা শেম্বা :**

- অকংবা শজিক শেম্নবগীদমক থাগদৌরিবা মফমদু লৈবাক লৈহাও নিংথিনা ফবা ওইগনি। থাগদৌরিবা মরূদুসু মফমদুগী মতুং ইন্না হুনগদবদুদগী হেন্না হুনবীগনি। মসিনা কুংনা হৌবতা নত্তনা মখোকসু থোৎনা লৈগনি।

- শজিক ককপা লোইরগা কংহনবা মতমদা শজিক্তা য়াওরিবা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙদনা লৈহন্নবা হোৎনবীগনি অমদি মনিলগী চাংসু কা হেন্না য়াওদনবা অমদি অহেনবা মনিল য়াওরগদি পথ্থ পুমথহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। কংহনবা মতমদা মনাশিংদু কেন্দনবা হোৎনবীগনি। মনাদা প্রোটিনগী চাংসি চাদা ৭০ দগী হেন্না য়াওই অমদি কেরোটিনগী চাংসু চাদা ৯০গী মথক্তা য়াওই।

- কংহনবা মতমদসু ন্যুত্রেন্ট খরদি অদুম মাঙখি। অদুবু কংহনবা মতমদা মৈশা হেন্না পীবা নৎত্রগা মনিলগী চাংসি হন্থনা লৈত্রগদি মসিদসু ন্যুত্রেন্টগী চাং হন্থহল্লি। নোংজু থা মতমদসু নোংনা মরম ওইদুনা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা মাঙহল্লি। কংহনবা মতমদা মনা শংলিমখৈ কেরোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওবগী শক্তমনি।

- শজিকশিং কংহনবা মতমদা কংই কংদে খঙননবা অরায়বা মওং অমদা কংহনলিবা পাম্বী অমা লৌবীরগা য়োৎপী অমনা মখোক্তু হুইগৎ হুইথা তৌবা মতমদা মখু কোনলকপা তারগদি মদু কংবা য়ৌদ্রিবনি হায়না লৌবীগনি অদুগা অতোপ্পা অমনা পাম্বী খরা লৌরগা খুবাক্তা হাপ্লগা শুরু শুরু নৈবা মতমদা মহি খরা থোকপা উরগদি মদুসু মনিলগী চাং ৱাংনা লৈরি হায়না লৌবগা লোয়ননা খরা শাংনা কংহনবীগনি।

- কংবা লোইরবা তুংদা মফম চানা পুল্লগা শা-ষণশিংদা পীজবীগনি।

**কংহনবগী মওং :**

**ক) তারিবা মফমদুদা কংহনবা** - শজিকশিং ককপা লোইরবা তুংদা অমুক মফমদুদা অদুমক কোনশিল্লগা থম্বীগনি। শজিক ককপগী মতম অমদি লিক্লা তাশিনবনা ক্বালিটিদা অশোয়বা য়াওরকই। কল্লবা শজিকশিংদু মপূন মপূন পুল্লবা তুংদা নিংথিনা কংহনবসু য়াই। অদুবু কংহনবগী মতমদা মনাশিং কেনবগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি কংহনবা মতমদা কেরোটিনগী চাংসু হন্থহল্লি অমদি মনিলগী চাংসু চাদা ৪০ দুমক লৈগল্লি। অসিগুম্বা শজিক কংলি কংলি লাওরবসি মকোন মকোন কোনশিন্দুনা অমুক মখা তানা কংহনবীগনি।

**খ) শা-ষণগী মকোন্দা কংহনবা** - কাবক কাবক কংলবা শজিকশিং মকোন মনুংদা শগাই শারগা থমদুনা কংহনবীবসু য়াই। মসিদা নুমিৎ ৭-১৪ ফাওবা নুংশিৎনা কংহনবদা চংই। অসিগুম্বা অকংবা শজিকশিং অসি শংদুনা অদুমক লৈ।

**গ) খূৎশেমগী কংহনবা** - খূৎশেমগী অশাবা নুংশিৎ শীজিন্নদুনা শজিক ময়াম অমসু কংহনবা য়াই। অদুবু মসি য়াম্না চাওনা তৌরগদি কান্নবা কয়া ফংদে।

**ঘ) মতুম তারগা শেম্বা** - শজিক ময়ামসি মতুম তানবা মেছিন্দা মতুম মতুম তারগা কংহনবা য়াই। মসিনা পুথোক পুশিন তৌবদা মতম চংহন্দে, থবক তৌশিনবগী মী মশীং হন্থহল্লি, ন্যুত্রেন্ট হন্থহন্দে, উফুল-ৱাইফুল কয়া পক্তে।

মতম চানা শজিকশিং কল্লগা কংহনহৌরগদি তুং কোয়না মতম শাংনা শজিক ৱাৎলকপা মতমদসু পীজবীবা য়াই অমদি শজিক ফংদবা মফমদসু পুরগা পীজবীবসু য়াই। ●

# মণিপুরদা ফংলিবা ঙাশিং অমদি ঙাশিং অসি চাবগী থৌওং খরা

- ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ -

মণিপুর অসি মীতৈশিংনা মশীং য়াম্না খুন্দাবা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা চিদাইদা লৈবা অপীকপা ষ্টেট অমনি। চাওরাক্লা চাদা ৯০দি চীংগী লম ওইনা তৌই। নোংচুপ থংবা চীংশিং অসিদনা বরাক তুরেল অমদি মসিগী ত্রিব্যুটরিসশিং লৈ অদুগা নোংপোক থংবা চীংশিং অসিনা ম্যান্মারদা লৈবা চিন্দ ৱিন তুরেলদা তাখিবা তুরেলশিং লৈ। মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অসি ঙাগী মখল অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। মসিগী মরু ওইবা মরম অমা পল্লবদা হিমালয়ানগী মফমশিংদা ফংবা ঙাশিং অমদি ম্যান্মারদা ফংবা ঙাশিং মফম অসিদা পূন্না ফংবা অসিননি। লমদম অসিদগী হান্না মমিং লৈতবা অমদি মালেমদা মশক খঙনদ্রিবা ঙা মখল কয়া পুথোরক্লি অমদি অসিগুম্বা ঙা মখল কয়া অমসু পুথোরকখিগনি। লমদম অসিদা অৱাংবা চীং, পাৎ, তুরেলনচিংবা মখল কয়াগী ঈশিং লৈবা মরম্না ঙা মখল কয়া অমা লৈবগী মরু ওইবা মরম অমসু ওইরি।

ঙা অসি য়াম্না মরু ওইবা চীঞ্জাক অমা ওইনা মণিপুরীশিংনা চানরি। মণিপুরীশিংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা চীঞ্জাক হায়রগদি চাক অমদি ঙানা ওইরি। মখল খুদিংগী ঙা পূম্নমক অয়াম্বনা পাম্না চানৈ অদুবু খরা হেন্না পাম্না চানবা ঙা হায়রগদি রৌ, নাপীচাবী, পুক্লাওবী, ঙামু, উকাবীনচিংবা ঙাশিং অসিনি।

লমদম অসিদা ফংবা অপীকপা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাশাং, ফাবৌঙা, ঙামহায়, মুকা ঙা, ঙাবেম্মনচিংবনি। ঙাশিং অসি চাবগী থৌওংসু মখল কয়া লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙারি, ঙা অয়াইবা, ফাবৌ, হেন্তাক্লচিংবনি। লমদম অসিদা ঙা মচাশিং অসি চাবদা মখল কয়া থোক্লা চাবা অসিদা ঙাগী অয়াম্বা শরুক লোইনা চাবা মরম্না ঐখোয়দা কান্নবা কয়া অমসু পীরি। লমদম অসিদা তাঙনা ফংবা ঙাশিং অমদি মীয়াম্না য়াম্না পাম্না চানবা ঙা কয়া অমসু লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা পেংবা, ঙাতোন, ঙাক্রা, শারেং, নুঙঙানচিংবনি। হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োকখৎপগী তঙাইফদবসু লৈরি।

মণিপুরদা ঙা শীজিন্নবগী থৌওং অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। লাইনীং-লাইশোনগী মতাংদসু ঙা য়াওদবা য়াদবা তাঙ্কক কয়া লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা উশিন শিনবা, লুহোংবা নুমিৎতা ঙা থাবা, অঙাং চাকউম্বদা ঙারম তরেৎ য়াওদবা য়াদবা অসিনচিংবনি। মসিদসু নত্তনা অঙাং পোকপগী ইপান থাবদা ঙা য়াওদবা য়াদবা অমদি অঙাং পোল্লবা মতুংদা মমা ওইবীশিংদা ঙা অয়াইবা পীজবা, লুহোংবগী মঙানি চাক্কৌবদা ঙাগী মথেলগী তঙাইফদবা, লুহোংবা নুমিৎকী নুমিদাংদা বর-কৈন্যা অনীবু ঙানপ পীজবগী চৎনবী অসিনচিংবনি। ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি তৌবদা ঙা কৎপা। মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা হরাও কুম্মৈ ওইরিবা নিঙোল চাক্কৌবদা ময়ূম পানখ্রবা নিঙোলশিংবু মবুং মৌপ্বাশিংনা ঙা থোংলগা পীজবা, অনাবা হংবা চৎপা মতমদা অচৌবা ঙা পুদুনা চৎনবা, লমতা থাগী থাংজদা লমগী লাই খুরুম্বদা ঙারি য়াওবনচিংবা মখল কয়া থোক্লা ঙা অসি শীজিন্নদুনা ঙা অসি মণিপুরী খুন্নাইদা অসুক্কী মতিক মরু ওইবা পোৎলম অমা ওইরি। মসিদসু নত্তনা নুপী ওইবীশিংনা অঙাং উনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মপামদা চাক কৌদুনা ঙা থোংবা পীজবগী চৎনবীসু লৈরি।

মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফম অমদি মহৌশাদগী চৎনরক্লিবা ফজরবা চৎনবীশিং অসি য়োকখৎপগা লোয়ননা মণিপুরগী ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# ওর্গানিক ওইবা মওংদা চুজাক থাবা

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

খূৎশেমগী হার অমদি তীলহাৎ হীদাক্লচিংবা শীজিন্নদুনা পুথোকপা পোৎলমশিংনা মীওইবগী হকচাংদা মখল মখা কয়াগী হু পীরি খঙনরকপদগী ঙসিদি ওর্গানিক ওইনা পুথোকপা পোৎলমশিং পাম্নরক্লি। অমরোমদা অমুক ওর্গানিক ওইবা মওংদা পায়খৎপা লৌউ কাঙলোনশিংনা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিনবগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা লৌফমগী লৈবাক লৈহাওবু মতম শাংনা শীজিন্নবা য়াবা লৌফম ওইদুনা লিশাংশিৎনা লৌউবা য়াবা মফম অমা ওইহল্লি। ওল্লক্লিবা মতমগী য়াওল অসিগা ইরোয়ননা চত্তুনা মাঙজিল থাবা লৌমী অমা ওইনবগীদমক ওর্গানিক ওইবা মওংদা চুজাক থাবা হায়বসিসু পায়খৎপা য়াবা শিনফম অমনি। লমদম অসিগী মীয়াম অসি চুজাক লৌদুনা, ফুৎলগা নৎত্রগা চাকমাইদা ঙাল্লগা চাবা পামজৈ। মরম অদুনা চুজাক অসি অশংবা মহৈ ওইনা হেক্তুনা অতাঙবা মমলদা য়োনবদা, শেন্দোং নিংথিনা ফংবা ঙম্বা মহৈ-মরোং অমা ওইবনিনা ওর্গানিক ওইবা মওংদা চুজাক্কী মখলশিং চাকহাওনম্বী HQPM (High Quality Protein Maize) নৎত্রগা চুজাক অথুম্বী (Sweet Corn) থাবীবা য়াই।

**চান্নবা লৈবাক লৈহাও :-** ঈশিং নীংথিনা চূপশিনবা ঙম্বা লৈঙোই ফোলি নৎত্রগা ফোলি ওইনা তৌবা লৌফম ওইবগা লোয়ননা ওর্গানিক মেট্টর হায়রগা খঙনবা পাম্বী অমদি শা ষণদগী থোরকপা পোৎলমগী অপুম-অশা মরাং কায়না য়াওবা হায়বদি লৈবাক অদু মচু মুরপ লৈবা।

**পল্লবা পাম্বী মখল :-** লমদম অসিদা স্বীট কোর্নগী মখলদা Golden Cob, Sugar 75, SV 68815N, Vivek QPM-9, CMH-08.337, NMH-40 871 অমদি চুজাক্তা চাকহাওনম্বী Naujot, DHM-103, DHM-107, Pusa Composit 3, Madhuri, HQPM-5, Ganga Hybrid, Banga Hybrid 101, Deccan Hybrid, Renjit, Hi-starch পনবা য়াই।

**থাবগী মতম :-** লমদম অসিদা চুজাক অসি মতম অহুম্লক্তা থাবা য়াই। মার্চ অমসুং এপ্রিল থাখায়, ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাখায় অদুগা জন্যুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারী থাখায়দা থাবা চুজাকশিং শেনফম খঙনা পোথোক পুথোকপা ঙম্মী।

**অকুঙ-অরন অমদি মরূগী চাং :-** চুজাক অসি পাম্বীগা পাম্বীগা সেন্টিমিটর ২০-২৫ (ইঞ্চি ৮-১০), পরেংগা পরেংগা সেন্টিমিটর ৫০-৬০ (ফুট অমা মখায় খরা হেনবা - ফুট অনী) গী চাংদা থাবা য়াই। চঙগদবা মরূগী চাংদি মরূ লূম্বা খেন্নবগী মতুংইন্না স্বীট কোর্নগীদমক কেজি ৬.৫-৭ লৌ পরি অমদা অদুগা অতোপ্পা চুজাকশিংগীদমক কেজি ১৮-২০ লৌ পরি অমদা।

**মচীঞ্জাক পীবা :-** চুজাক পাম্বীশিংগীদমক বাইওফর্টিলাইজরশিং মরূদা নৎত্রগা লৌফমগী লৈবাক্তা হাপ্পীবা য়াই। থাগদৌরিবা চুজাক মরূ অদু কেজি ১০গীদমক Azosprillum, Phosphate Sulubilizing Bacteria অমদি Potash Solubilizing Bacteria গ্রাম ২০০-২০০ চবোন নৎত্রগা চনাং মিলিলিটর ২০০গা তোৎশিন্নরবা মতুংদা মরূ অদুদা তোৎপীরগা উরুম অমদা মুচুম লাংশিলহল্লগা থাবীগদবনি। মসি নৎত্রগা Azospirillum, Phosphate Solubilizing Bacteria অমদি Potash Solubilizing Bacteria কেজি ২-২ ষস্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা ভর্মিকম্পোষ্ট কেজি ৫০দা তোৎশিন্নরগা নুমিদাংৱাইরমদা চুজাক থাদ্রিঙৈদা লৌফমদা চাইথোকপীগনি অমদি খোইজিনবীগনি। মথক্কী থৌওং অনী অসিগা লোয়ননা চুজাক থাগদৌরিবা লৌফম অদু থাগদবা নুমিৎ ২০নি মুক্কী মমাঙদা ষস্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা কম্পোষ্ট কেজি ১৫০০০ চাওরাক্লা ত্রেক্ট ত্রেলর ৬-৭ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইথোকপীগনি। করিগুম্বা ভর্মিকম্পোষ্ট ওইনা শীজিন্নবীগে হায়রবদি কেজি ৩০০০ লৌবীরগা লৌফমদা নুমিৎ ২০নিগী মমাঙদা চাইথোকপীরগা খোইজিনবীগনি। মতুং তারকপদা পাম্বীগী শাহৌগী মতুংইন্না ভর্মিকম্পোষ্ট নৎত্রগা অতোপ্পা কম্পোষ্ট মখলশিং মখোঙ শোম্বদা নৎত্রগা ভর্মিৱাশ/ষণয়ুং লিটর অমা ঈশিং লিটর ১০দা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি।

নীংশিংবীগদবদি পাম্বীনা খুকউমুক ৱাংলকপা হায়বদি থাখিবদগী নুমিৎ ৩০-৩৫নিমুক শুবদা পাম্বী মখোঙদা লৈবাক খোৎচিনবীগদবনি।

**ঈশিং চনবা** - হেক থাখিবগা পারপ্না ঈশিং অমুক চনবা অদুগা লৌফমদা ঈনিলগী চাং য়েংবিরগা মরক মরক্তা ঈশিং চনবীবা অদুগা শুংশোয় শোয়দনা মপাল লাকপা অমদি চুজাক্লা মশম থোরকপা মতমদদি ঈশিং চনবীগনি। ঈশিং চনবীবা মতমদা লৌফমদা ঈশিং তুংহনবদি য়াদে।

**হাবেংবা :-** চুজাক্কীদমক নুমিৎ ১৫-২০নি শুরকপদা খূৎনা অমুক পেংথোকপীরবা মতুং নুমিৎ ৩০-৩৫দা মখোঙ লৈবাক খোপচিনবদা নাপী লৌথোকপীরবদি অহেনবা হাবেংদ্রবসু য়ারে।

**পায়খৎপীগদবা অতোপ্পা থবক থৌরমশিং :-** থাগদবা মরূশিং অদু লায়না-তীলনা চেন্দবা ওইবা, লৌরি নীংথিনা কোকথোকপীবা, কালেন নীংথিনা খোইদুনা লোৎতুনা লৈবা তীল-কাঙ, নুংশা অমদি উচেকনা হাৎহনবা, অওন পোত্থাদা পোৎ থাবা অমদি হৱাই মখলশিং খুদম ওইনা নূঙহৱাই, পোং হৱাইনচিংবা পূন্না তোঙান তোঙানবা পরেংশিংদা থাবনি।

**লায়নাদগী ঙাকথোকপা :-** থাগদৌরিবা চুজাক মরূশিং Trichoderma অমদি Pseudomonos fluorescence গ্রাম ৪-৪ মরূ কেজি অমগী চাংদা লৌরগা তোৎপীহৌবা অদুগা পাম্বীশিংনা হৌরবা মতুংদা Neem oil/derisom মিলিলিটর ৩০০গা লোয়ননা ষণয়ুং লিটর ৩ অমদি Panchagvya লিটর ৩ ঈশিং লিটর ১০০দা থিৎলগা নুমিৎ ১৫/১৫নি কান্নরগা ৩/৪ রক কাপথোকপীরবদি অয়াম্বা লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

**তীলনাদগী ঙাকথোকপা :-** পাম্বী থাদ্রিঙৈ মমাঙদা Neem Cake কেজি ১৫০ লৌ পরি অমগী লৌফমদা লৈবাক্তা হাপহৌবনা পাম্বীশিংদা পাম্বীগী মচীঞ্জাক ফংহনবগা লোয়ননা পুকশ্রিগুম্বনা হৌরকপদা ঙাইরিবা পাম্বীগিং ককথৎপদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। পাম্বী থাখ্রবা মতুং নুমিৎ ২০-২৫নি মুক শুরকপদা Karanjit/Derisom/Neem oil মিলিলিটর ৩ ঈশিং লিটর অমদা নৎত্রগা ষণয়ুং লিটর ৩ ঈশিং লিটর ১০০দা য়াল্লগা শেম্বা হীদাক্লা কাপথোকপীরবসু চুজাক ময়োল চিকপী নৎত্রগা Fall Army Worm দগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

Metarhizium Anisopleae মিলিলিটর ৫ নৎত্রগা Beauveria bassinia নৎত্রগা Bacillus thoringensis মিলিলিটর ৩ ঈশিং লিটর অমগী চাংদা য়াল্লগা কাপথোকপীরবসু Fall Army Worm দগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

**লোকপা :-** চুজাক অসি থাখিবদগী নুমিৎ ৭৫-৯৫ ফাওবগী মনুংদা লোকপা য়াবা পাম্বী মখল অমনি। চুজাক অসি লৌ পরি অমগী লৌফমদগী কেজি ২০০-৩৫০০ ফাওবগী মনুংদা পোথোক পুথোকপা ঙম্মী। ●

# লৌফমদা নাপী হৌবা হন্থহনবা

- লোংজম বোরিস -

মণিপুরদা ফৌ থারিবা লৌফমদা মরু ওইনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা নাপী (weeds) শিং অসি অমা ওইরি। ফৌ থাবগী পথাপ হোংলকপা অমদি লৌ উবদা চঙবা মচাক কয়া অহোংবা লাকই। নাপী হৌরক্ত্রিবা মতমদা Pretilachlor, anilofos, oxadiargyl, অমদি oxadiazon হায়রিবশিং অসি দাইরেক্ট সীদেদ রাইসতা শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাকশিংনি। অদুবু হায়রিবা নাপী হীদাকশিং অসিদি লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা ঈশিংগী চাংদা কা হেন্না তাংজবা ওই।

লৈহাওদা ঈশিংগী ইমাই সেন্টিমিটর ২গী চাংদা ঈশিং লৈত্রবদি নাপী হীদাক কাপ্পদা হীদাক্কী মথৌ হন্থে। লৈবাক্তা ক্লেগী শরুক হেন্না নেম্না য়াওবা লৈবাক লৈহাওশিংদা নাপী হীদাকশিং অসি নোংনা মখা তানা পুথখিদুনা তুংদা থারকপা পাম্বীশিংদা হৌরকপদা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি।

*নাপী হৌদ্রিঙৈদা কাপ্পা নাপী হীদাক (Pre-emergence heribicides) :*

মীয়াম্না শীজিন্নরিবা pre-emergent herbicides অয়াম্বা ৫০-৯০%গী চাংদা phytotoxicity (পাম্বীদা শোকহনবা) থোকহল্লি। Pre emergent herbicides কাপ্পগী চাং কা হেন্না ৱাংই অমদি ফৌ পাম্বীনা নৌনা হৌরকপা মতমদা চাউজন থিহনবা অমদি লৈবাক লৈহাওদা লৈবা কান্নরবা মহিক কয়া অমসু হাৎতোকই। Pre-emergent নাপী হীদাকশিং শীজিন্নবনা ফৌ মপান শাবা অমদি মপূন্সি অসি হাপ্তা অনী য়ৌনা শাংদোকই।

*নাপী হৌরবা মতুংদা কাপ্পা হীদাক ( Post emergent herbicides) :*

নৌনা থোক্লক্লিবা নাপী হীদাকশিং (bispyribac sodium, cyhalofop butyl, fenoxaprop-p ethyl, ethoxysulfuron, penoxulam, azimsulfuron, flucetosulfuron azimsulfuron + bispyribac sodium, fenoxaprop-p ethyl + ethoxysulfuron, bensulfuron methyl + pretilachlor, cyhalofop butyl + penoxulam, metsulfuron methyl + chlormuron ethyl etc) নচিংবশিং অসি অনেম্বা দোজদা নাপী লাকশিনবা ঙম্বা হীদাকশিং ওইরি। হীদাক মখল অনী পুনবা নাপী হীদাক (herbicide mixture) অয়াম্বনা নাপী অমদি ফৌগী য়াম্না মরু ওইবা মতম (critical period of crop-weed competition) হায়বদি ফৌ থাবদগীনা হুনবা মতম নুমিৎ ৩৫-৪০ শুবা মতম অদু ফাওবা লাকশিনবা ঙমগনি।

**নাপী হীদাক শীজিন্নবা মতমদা নাপী মশক খঙদোকপা অসি তঙাইফদে।**

**নাপী হীদাক কাপ্পা মতমদা শীজিন্নগদবা কাঙলোনশিং :**

| মরু ওইবা নাপী মখল অমদি চান্নবা নাপী হীদাক মখল খরা | | | | |
|---|---|---|---|---|
| **Direct sown ওইবা লৌফমশিংগী** | | | | |
| 1. | Name | Target weeds | Time of application | Dosage (g a.i/ha) |
| 2. | Bispyribac sodium | Early emergent grassy weeds , sedges | 8-10 days after sowing (DAS);2-3 leaf stage | 30 |
| 3. | Fenoxaprop-p-ethyl | Late emergent grassy weeds | 18-20 DAS ;3-5 leaf stage | 60 |
| 4. | Fenoxaprop-p-ethyl + ethoxysulfuron | Mixed weed population | 15-20 DAS;3-4 leaf stage | 50+15 |
| **Wet direct sown rice** | | | | |
| 5. | Metsulfuron methyl+chlorimuron ethyl | Sedges and broad weed leafs | 15-18 DAS ; 3-4 leaf stage | 50+15 |
| 6. | Bensulfuron methyl+pretilachlor | Mixed weeds | 7 days after transplanting | 60+600 |
| **Transplanted rice** | | | | |
| 7. | Pyrazfulfuron ethyl | Nursery bed | 1-3 DAS | 20 |
| 8. | Penoxulam | Broadleaf and aquatic weeds | 15 DAT ; 3-4 leaf stage | 25 |
| 9. | Penoxulam + Cyhalofop-butyl | Mixed weeds | 15-20DAT ;3-4 leaf stage | 135 |

- চান্নবা নাপী হীদাকশিং অসি ঈশিংগী ইনিল লৈবা লৈবাক লৈহাওদা নাপীনা মনা ২-৫ মুক পাল্লকপা মতমদা কাপ্পীহৌবা য়াই। নাপীগী মতুং ইন্না কাপকদবা হীদাক ওইরবদি হীদাকশিং অদু নিংথিনা খঙদোকপা অমা মথৌ তাই।
- অফবা অরুবা ঈশিং শীজিন্নবা অমদি লৌ পরি অমদা ঈশিং ভোল্যুম অসি ৩০০এলগী চাংদা শীজিন্নগদবনি।
- নাপী হীদাক কাপ্পীবা মতমদা নুংশিৎ অমদি নোং কা হেন্না শিৎপা মতমদা তৌবীরোইদবনি। হীদাক কাপ্পবা মতুংদা পুং ২৪ ঈশিং চঙহনবীরোইদবনি।
- নাপী হীদাক কাপ্পীবা মতমদা নোজল ময়াম য়াওবা ফ্লেট ফেন নোজল শীজিন্নগদবনি।
- Granular ওইবা heribicides শিং ওইরবদি লৈঙোই ১০-১২ কেজিগী চাংদা য়ানশিনবীরগা চাইবীগনি।
- হীদাক কাপ্পবা পম্প টেঙ্কতা ঈশিং তঙ্খাই অমা হান্না হাপ্পীরগা নাপী হীদাক কোন্না হাপ্পীগনি। Sticker (surfactant) অমা হাপ্পীরবা মতুংদা নীংথিনা ঈশিংগা য়ানশিনবীরগা হীদাকশিং অদু কাপথোকপীগনি।
- হীদাকশিং অদু থিৎলবা মতুংদা লৌফমদা চাং নাইনা অমদি খোঙজেল মান্নমা কাপ্পীবা মথৌ তাই অমদি হঞ্জিন-হঞ্জিন কাপ্পীদনবা হোৎনবীগদবনি।
- হীদাক কাপ্পীবা মতমদা নুংশিৎ মায়কৈদা য়ুংনা (perpendicular) ওইনা কাপ্পীগনি। অসুম্না তৌবীরবদি হীদাকশিং অদু থুনা শন্দোকই।
- হীদাক কাপ্পীবা মতমদা নাপীদগী সেন্টিমিটর ৫০ ৱাংনা কাপ্পীগনি।
- হীদাক কাপ্পীবা মতমদা নুংশা কা হেন্না শাবা অমদি নুংশিৎ কা হেন্না শিৎপা মতমদা কাপ্পীরোইদবনি।
- শীজিন্নরিবা নাপী হীদাকশিং অমুক-অমুক ওন্থোকপীবনা নাপী হীদাকশিংগী মথৌ হেনগৎহল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।